**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপদি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী মীফমা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

২) লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সনথোংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে।

৩) মণিপুরদা কোভিদ নাইহন্তিন্না নাবা মীওই ৩২৪ গী মনুংদা ৩০২ নাবা ফগৎখ্রে, হৌজিক এক্তিভ কেস ২২ লৈরি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি হরিয়ানা অমসুং গোৱাগী অনৌবা রাজ্যপালশিং অমসুং লদাখকী উপ-রাজ্যপাল খনখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রিনা হায়রি- আয়ুরবেদবু অফবা লায়েং কাংলোং অমা ওইনা মালেমগী মীয়ামা খঙবীবা হেনগৎলক্লি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী মতাংদা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপদি ওইদুনা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী মীফমা হিরম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপা খন্ন-নৈনখি। আই.দি.পিশিংগীদমক শেন্বা পোর্তেল অমা শিজিন্নদুনা মখোয়গা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং হেন্না নিংথিনা পায়খৎনবসু রাজ্যপালনা পাউতাক পীখি। মীয়ামগা মরী লৈনবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎননবসু রাজ্যপালনা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, নাগা পীপলস ওর্গনাইজেসনগী ঐচ. কুবা পিটরনা লুচিংবা মীওই ৬ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অহুম থবক্তা ওন্থোকপীনবা তকশিনবা য়াওবা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা পীশিনখি। লাক্কদৌরিবা বরাক রিভর ফেষ্টিভেল নিংথিনা পাঙথোকবা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা খন্নখি।

বিমোল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সনথোংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে।

তুংদা মহাকা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফিভমসু য়েংশিনখি। মফম অদুদা মহৈরোইশিংগা হকথেংননা উন্নবদা ডাঃ অকাইজমনা হায়- তলব নিংথিনা ফংবা ফংদবা থিদনা মহৈরোইশিংবু লাইরিক তাকপীরিবা ওজাশিংবু ইকায় খুমফম থোকই। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু কয়ামুক য়ামা নুংশিবগে হায়বদু মচা ওইরিবশিংনা খঙবিগদবনি। মমা মপাশিংনা মতেং পাংদুনা কন্না হোৎনরিঙৈ মতমদা মহৈরোইশিংনা অফবা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইরকবা লাইরিক লাইশু থৱায় য়াওনা হোৎনগদবনি।

উখ্রুল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি. অলফ্রেদ কাঙাম অর্থরনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি উখ্রুলদা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এম.এল.এ- খাসিম ভাসুম অমসুং জিলা থাক্কী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

মীতোপ (এল)ঃ রাজ্য অসিদা অইনগী ৱাংমদা চংলক্তুনা খুন্দারিবা মীতোপশিং সরকারনা লেপ্পা বেজ ইয়ার অমদা যুম্ফম ওইদুনা খন্দোক্লবা মতুং মশাগী মরমদা হলহনখিবা হায়বসিদা পুমমকা য়াফম থোকই হায়না মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না হায়রি। য়ুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীতোপ খন্দোকপগী বেজ ইয়ার অসি য়ুমথংনবা রাজ্য অসামদা ১৯৭১ ওইরম্বদগী ১৯৫১ দা ওন্থোকখি। প্রোটেক্সন ওফ পিপল বিল, ২০১৫ দসু মণিপুরগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১ ওইগনি হায়না পল্লি। মরম অসিনা সরকারনা লেপ্লকপা বেজ ইয়ারদা য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমকা শৌগৎমিন্নশি। রাজ্য অসি অমুক হন্না মহৌশাগী ফিভমদা হনজিন্দুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি হায়রি।

কোবিদ (এল)ঃ মণিপুরদা কোভিদ নাইন্তিন্না নাবা মীওই ৩২৪ গী মনুংদা ৩০২ নাবা ফগৎলক্তুনা হৌজিক এক্তিভ কেস ২২ খক্তা ঙাইরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙসিগী ওইনা মীওই ৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিতিভ ওইখি। ঙসিসু লায়না অসিনা নারম্বা মীওই ৪ নাবা ফাগৎলকখি। হৌখিবা জন ১ দগী নৌনা শন্দোকপা হৌরকখিবা কোভিদ নাইন্তিনগী লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই অমত্তা শিখিবগী পাউ লৈতে।

ঙা (এল)ঃ     রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিন্দুনা তাকমুদা লৈবা লেক ওফ এক্সপরিমেন্টেল ফিস ফার্মদা ঙসি ঙা মচা লাখ ১০ থাদখ্রে। ঙা মচাশিং অদু অয়াম্বনা রৌ, পেংবা, কম্মন কাফ অমসুং গ্রাস কাফনি।

বিভাগ অসিগী চেরোল অমদা হায়- থাদরিবা ঙা মচাশিং অসি ঙামীশিংগীদমক্তনি। ঙামীশিংনা ওফ সিজন মতম ওইরিবা ওগষ্ট থা ফাওবগী মতম অসিদা ঙা ফাবীদনবা আপীল তৌরি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী লাইশন্দোংদা মফম অদুগী ঙামীশিংগী ওইবা ঙা য়োকপগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদু অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ফিস ফারমরস এসোসিয়েসন্না রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট তাকয়েলপাৎকা খুৎশমনা শিনবনি।

আরপিএফ (এল)ঃ  অলফা-আইগী লৱার কাউন্সিলগী চেয়ারমেন লেফটনেন্ট জেনেরেল নায়ন অসোমবু দ্রোনদগী বোম থাদদুনা হাৎখিবদা রিভোলুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর.পি.এফ)না অৱাবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী পাব্লিসিতিগী দিপ্যুতি সেক্রেতরি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নাগালেন্দ অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অলফা-আই অমসুং পি.এল.এগী অপুনবা কেম্পতা চত্থরকখিবা দ্রোন এটেক অদুদা পি.এল.এগী মাইকৈদদি অশোক অপন অমত্তা য়াওখিদে।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ   বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা য়ুম অমদি দুকান্নচিংবা শাজিনবা অমদি ফুটপাথ য়াওনা লম্বীগী নাকলদা য়ুম শাবদা শিজিন্নবা নুঙ লৈঙোইনচিংবা পৈশিল্লিবশিং থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা হায়রি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্তবদি আইনগী মতুংইন্না তকথোকপগী থবক চত্থরগনি।

রিমস (এল)ঃ  রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালগী ফোরেন্সিক মেদিসিন এন্দ টোক্সিকোলোজি দিপার্টমেন্টতা ঙসি ষ্টেট ওফ দি আর্ট ভিরটোপসি সেন্তর এন্দ কোল্ড রুম রিমসগী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মনা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিরেক্তরনা হায়- ঙসি হাংদোক্লিবা সেন্তর অসিনা হেন্না ফগৎলবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা ফোরেন্সিক্কা মরী লৈননা থিজিন হুমজিনবগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

থৌরম অদুদা রিমসকী মকোক থোংবা ডোক্তরশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

আর্টিষ্ট (এল)ঃ  গুরু সিৎসা পরমপারা স্কিমগী মখাদা আর্টিষ্টশিংদগী গুরু খন্নবগী নমথোক্লবা ফোর্ম থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতগী লৌরনবা হায়রি। অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংদা ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট পীননবা স্কিমগী মখাদা অপদেট তৌনবা ফোর্ম আর্ট এন্দ কলচর দাইরেক্তোরেটতগী লৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবসু হায়রি। ৱাফমশিং অসি আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল তোঙান তোঙানবা চেরোলশিংদা খঙহল্লকপনি।

ভিদিএফ (এল)ঃ  ভি.দি.এফশিংগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈননা সরকারনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবশিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি.দি.এফ) ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হায়রি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

সেলেব্রেসন (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া ৱিমেন্স ভোলুন্তরি সার্ভিসেস মণিপুর ব্রাঞ্চ লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ডাঃ ঐচ. নুংশি দেবীগী ৮৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাউনা বজারদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ৱিমেন্স ভোলুন্তরি

সার্ভিসেস মণিপুর ব্রাঞ্চকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আনন্দ সিংহ্ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল নিরা মাইস্নাম য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ৰার্কসোপ (এল)ঃ  এস.সি.ই.আর.টিকী দারেক্তর এ. রোমেলনা হায়রি- নিউ ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ রাজ্য অসিদা মপুং ফানা চৎনহন্নবগী শরুক অমা ওইনা পোলিসি অসিগী নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর ফাউন্দেসননেল ষ্টেজ ২০২২ অমসুং নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর স্কুল ইজ্‌কেসন ২০২৩, মণিপুরী লোলদা হন্দোকপা লোইরে।

ৱাফম অসি লমফেলপাৎতা লৈবা এস.সি.ই.আর.টিগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা ৱার্কসোপ অমা হৌদোকপগী থৌরমদা মহাকা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- পোলিসি অসিগী মখাদা রাজ্যগী ওইনসু করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অথুবা মতমদা পুথোকবা হোৎনরগনি।

রাজ্যপাল ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নৌনা থৌ পুরগদবা হরিয়ানা অমসুং গোৱাগী রাজ্যপালশিং অমসুং লদাখকী উপ-রাজ্যপাল খনখ্রে।

হান্নগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি পুসাপাতি অশোক গাজাপাথি রাজ্‌না গোৱাগী অমসুং প্রোফেসার অসিম কুমার ঘোসনা হরিয়ানাগী রাজ্যপাল ওইরগনি।  কবিন্দর গুপ্তনা লদাখগী উপ-রাজ্যপাল ওইরগনি। লদাখকী উপ-রাজ্যপাল থবক্তগী পোথারবা বৃগেদিয়ার ডাঃ বি.দি. মিশ্রানা থারকপা থবক তৌকপগী চেরোল অদু রাষ্ট্রপতিনা অয়াবা পীখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ নিনিগী উরিষা খোঙচৎতা ঙসি নুংথিল ভুবনেশ্বরদা থুংখ্রে। বিজ্ পটনাইক ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা রাষ্ট্রপতিনা থুংলবদা উরিষাগী রাজ্যপাল হরি বাবু কমভামপতি অমসুং মুখ্য মন্ত্রি মোহন চরন

মাঝিনা হ্রাউ তয়ামা ওকখি। কলা সংস্কৃতিগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতিনা ভুবনেশ্বরদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী মঙাসুবা কনভোকেসন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। মফম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা হেলথ কেয়ার প্রোফেসনেল ৬৪৩ দা দিগ্রি, মহৈরোই ৩১ দা তোঙান তোঙানবা সনাগী তকমান ৫৯ য়েন্থোক্কনি।

হয়েং মহাক্কী খোঙচৎকী নিনি চনবা নুমিৎতা শ্রীমতি মুরমুনা কটক্তা চত্তুনা রাভেনসো য়ুনিভর্সিতিগী ১৩ শুবা চহিগী মীফমদা শরুক য়াগনি অমসুং মফম অদুদা নৌনা শাগদবা রাভেনসো গার্লস হাইস্কুলগী বিল্ডিং অহুমগী উরেপ উয়ুং তমগনি।

আয়ুস ঃ   কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রি প্রতাপ রাও গনপতরাও জাদেবনা হায়রি- বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা আয়ুরবেদবু অফবা লায়েং কাংলোং অমা ওইনা শিজিন্নবগী মতাংদা মালেমগী মীয়ামা খঙবীবা হেনগৎলক্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদনা শিন্দুনা পাঙথোকপা সালয়াকোন ২০২৫ গী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- আয়ুরবেদ অমসুং সরজিকেল প্রাক্তিসপু হেন্না চাওখৎহন্দুনা আয়ুরবেদবু মালেমগী থাক্তা হেন্না শক খঙহন্নবা মহাক্কী মন্ত্রালয়না কন্না হোৎনরি। নুমিৎ হুমি চখরিবা জাতি থাক্কী মীফম অসিদা আয়ুরবেদিক সরজিকেল প্রাক্তিসশিংগী মরমদা নিংথিনা নৈনবা য়াওনা লায়েং পথাপ অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

পোর্ট ঃ   পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজগী মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা ঙসি বিশাখাপতমদা নুমিৎ নিনি পাঙথোক্কদবা বিমসটেক পোর্টস কনক্লেভ হৌদোকখ্রে।

বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিয়েতিভ ফোর মল্টি সেক্তরেল টেকিকেল এন্দ কোওপরেসন (বিমসটেক) কোর কনক্লেভ হৌদোক্লদুনা শ্রী সোনোৱালনা হায়- রিজনেল মেরিটাইম সেক্তরদা ভারতকী য়ুমথংনবশিংগী অহানবা পোলিসিদা

মাংজিল থানা চৎপগী থমখিবা ৱাফম অদু খুদম ওইনা উৎলে। খোঙথাং অসিনা হরিতসাগর অমসুং গ্রিন পোর্ট য়াওনা ঈশিং লন্বীদা চৎথোক চৎশিনগী মক পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা ইকোনোমিক দিভলপমেন্টতা হেন্না পুকিং থৌগৎপা ঙম্লগনি। নুমিৎ নিনিগী কনক্লেভ অসি ব্লু ইকোনোমি, ইনোভেসন অমসুং সষ্টেনেবল পার্টনরসিপ হায়বা হিরমদা পান্দম থমদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা বিমসটেক মেম্বর লৈবাকশিং- বঙ্গলাদেশ, ভুতান, ভারত, ম্যান্মার, নেপাল, শ্রীলঙ্কা অমসুং থাইলেন্দগী মন্ত্রালয়শিং অমস্ং ওফিসিয়েলশিং শরুক য়ারি।

বিহার ঃ বিহারদা হৌখিবা পুং ২৪ দা বজ্র তাবগী থৌদোক্তা মীওই ৯ লৈখিদ্রে। বঙ্কা জিলাদা মীওই মঙা অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে। ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী লিখুন অমনা হায়- থৌদোক অদু নোং চুরিঙৈ মতমদা লৌবুক্তা মীয়ামা লৌ শুরিঙৈদা থোকখিবনি।

ফিভম অদুনা মরম ওইরগা মেট বিভাগনা রাজ্য অদুগী সিৱান, সিতামারহি, সিয়োহার, মুঙ্গর, মধুবানি, জম্মুইগী মফমশিংদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোংখোঙগী আর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ.সি রেংদাই অমসুং ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ সোসিয়েল ৱেলফ্যল এসোসিয়েসন্না শগোলবন্দ য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অমরোমদা, প্রেমিয়র লিগ অসিগী মখা তাবা মেটচশিং খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী মতম খরা লেপ্লগনি। লিগ অসিগী অনৌবা ফিক্সর কোন্না থোক্লগনি

হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনেরেল সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা এ.এফ.সি-সি দিপ্লোমা কোর্স ঙসিদগী চান্দেল জিলাগী লিৱা খুল্লেল চারৈদা লৈবা থোরুর ফুটবোল টর্ফ হৌখ্রে। দিপ্লোমা কোর্স অসিদা মণিপুর অমসুং মেঘালয়দগী ফুটবোল কোচ ১৯ শরুক য়ারি।

ফুটবোলঃ ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী টিম চেলসিনা ফিফানা পাঙথোকপা অহানবা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইরে। আমেরিকাগী নিউ জরসিদা লৈবা মেটলাইফ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চেলসিনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জরমেইনবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি। ফাইনেল মেটচতা চেলসিগী ইংলিস ফুটবোল্লর কোল পালমরনা পাঞ্জল ২ অমসুং জাউ পেদ্রোনা পাঞ্জল অমা চনখি।

টেন্নিস ঃ ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জেন্নিক সিন্নরনা চহি অসিগী ৱিমব্লেদন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌরে। লনদনগী ওল ইংলেন্দ ক্লবতা শান্নখিবা ফাইনেলদা জেন্নিক সিন্নরনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন স্পেনগী কার্লোস অলকারাজবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪, ৬৪ দা থোইখি।

তুরনামেন্ট অসিগী চহি ১৪৮ গী ইতিহাসতা জেন্নিক সিন্নরনা ৱিম্বলদনগী ৱিন্নর ওইবা ঙম্বা অহানবা ইটলিগী শান্নরোই ওইরে।

ৱার্ল্ড নম্বর ফোর ইগা স্বেতেদনা চহি অসিগী ৱিম্বলদন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

------